একেন সিজন্নরুময়ুম

# ‘নোর্টে, দি এন্দ ওফ হিষ্ট্রি’ ফিলিপিনগী ফিল্ম অমা ওইরবসু এৱার্দ ৫ ফংখ্রবা য়াম্না শাংবা ফিল্মনি

‘নোর্টে, দি এন্দ ওফ হিষ্ট্রি’ হায়রিবা ফিল্ম অসি ফিলিপিনগী ওইনা পুথোকপা ফিল্ম ওইরগসু তোঙান তোঙানবা কম্পেনি কয়াগা খুৎশম্নবা নমখিবা ফিল্ম অমা ওইবতা নত্তনা ইং ২০১৩ অমদি চৎলিবা চহী ইং ২০১৪ অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়াবদা এৱার্দ কয়া ফংলকখ্রবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা লাভ দিয়াজ হায়রিবা দিরেক্টর অসিনা মশামক্না দিরেক্টর ওইবগা লোয়ননা স্ক্রনপ্লে অমদি ইডিটিংদসু চাওনা থৌদাং লৌখিবা মীওই অমনি। মহাক্কী ফিল্ম অসিনা ইং ২০১৩ দা কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা প্রিক্স অন সরতেন রিগার্দকী কেটাগোরিদা নোমিনেসন ফংখি। সিনেমানিলা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমদি ইন্টরনেস্নেল সিনিফিলি সোসাইটি এৱার্দ হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিগী মথক্তা হন্দক্কী চহী অসিদা পাঙথোকপা গৱাদ উরিয়ন এৱার্দস হায়রিবা ফেষ্টিবেলশিং অসিদা শরুক য়াবদা এৱার্দ ৫ ফংলকখ্রবা ফিল্ম অমনি।

কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা ফিল্ম অসিনা করিগুম্বা এৱার্দ অমত্তা ফংলকপা ঙমখিদে অদুবু সিনেমানিলা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট পিকচরগী ওইনা নোমিনেট তৌবগা লোয়ননা বেষ্ট দিরেক্টরগী এৱার্দ ফংলকখিবা ফিল্ম অমনি। মখা তানা ফিল্ম ইন্টরনেস্নেল সিনিফিলি সোসাইটি এৱার্দ হায়বা ফেষ্টিবেল অদুদা বেষ্ট পিকচর ফংবগা লোয়ননা বেষ্ট দিরেক্টরগী এৱার্দ ফংলকখি। মখা তানা হন্দক্কী চহীদা পাঙথোকপা গৱাদ উরিয়ন এৱার্দস হায়বা অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি ১০ দা নোমিনি চঙবগা লোয়ননা বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট স্ক্রন প্লে, বেষ্ট পিকচর অমদি বেষ্ট সিনেমাতোগ্রাফিগী মনা ফংখিবা




ফিল্ম অমনি।

গৱার্দ এৱার্দস অসিদা ফিল্ম অসিনা নোমিনি চঙখিবা এৱার্দ ১০ অদুদি বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট সপোর্টিং, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট স্ক্রনপ্লে, বেষ্ট ম্যুজিক, বেষ্ট ইডিটিং, বেষ্ট সাউন্দ অমদি বেষ্ট দিরেক্টর হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা এৱার্দ ৪ ফংবা ঙমখি। ফিল্ম অসিনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিবেল নত্রগা ফিল্ম এৱার্দ অনীদা বেষ্ট পিকচরগী মনা লৌবা ঙমখি। বেষ্ট পিকচর তাখিবা অতোপ্পা ফিল্ম ফেষ্টিবেল অদুনা ইন্টরনেস্নেল সিনিফিলি সোসাইটি এৱার্দসতনি।

ফিল্ম অসি ফিলিপিনগী ওইনা শান্নখিবা থিয়েটর প্লে অমা হায়বদি দ্রামা অমদগী ফিল্মদা ওনখৎপনি। মসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়াম্না শাংবা মখলগী ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী মতম অসি মিনিট ২৫০ হায়বদি চাওরাক্লা পুং ৪ গা মিনিট ১০ রোম শাংই। ফিল্ম অসি অহানবা ওইনা ইং ২০১৩গী মে ২৩ দা কেন্সতা উৎলবা মতুংদা ফিলিপিন্সতা ইং ২০১৪ গী মার্চ থাদা উৎখি। ফিল্ম অসিগী দিষ্ট্রিব্যুটরনা য়ু এস এদা লৈবা দি সিনেমা গাইদ অমদি য়ু কে গী ওইনা নিয়ু ৱেবস ফিল্ম হায়বা অসিনি। মসিগী মথক্তা ফিল্ম অসিগী লোন অসি ফিলিপিন্সতা ঙাংনরিবা দাইলেগ অমা ওইরিবা টাগালোগ হায়বা অসিদা নম্বা ফিল্ম অমনি। দ্রামাদগী ফিল্মদা ওনখৎলকপা মতমদসু ফিল্ম অসি অশুক্কী মতিক শাংবা ফিল্ম অমা ওইরি। হোলিবুদকী ওইনা খ্বাইদগী শাংই হায়না লৌনরিবা ফিল্ম অমগী অশাংবা অসি পুং ২ গা মিনিট ৫০ নি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ‘বেন হর’ হায়বা অসি পুং ২ গা মিনিট ৪৭ শাংই অদুবু ‘নোর্টে, দি এন্দ ওফ হিষ্ট্রি’ হায়রিবা ফিল্ম অসি পুং ৪ গা মিনিট ১০ শাংবা ফিল্ম অমা ওইরি।



পুং ৪ গা মিনিট ১০ গী মতম অসিদা ফিল্ম অসিদা উৎলিবা মওংশিং অদুদি ইমুং–মনুং মতৌ করম্না হিংবা, থোক্লিবা ক্রাইম অদুনা মখোয়গী হিংলিবা পুন্সি অদুদা কয়ামুক য়াম্না অপনবা পীবা অমদি তৌরুরিবা ক্রাইম অদুগী মখলশিং অদুবু শাংলবা মিনিট ২৫০ অসিদা অয়েংবশিংদা থোইদোক্না তম্বহন্দনা মপুং ফাবা ফিল্ম অমা ওইখিবা অসিনি। ফিল্ম অসি হায়রিবা মফম অনী অসিদা রিলিজ তৌদুনা উৎলবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা তপ্না তপ্না রিলিজ তৌদুনা মীয়ামদা লাম্থোরক্লি।

ফিল্ম অসিগী ৱারি অসি লুনা তিন্নবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমদা থোকখিবা নুঙাইতবা থৌদোক অমদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমনি। অচৌবা জামিন্দর অমগী মখাদা মীওই অহুম্না পালি নাইদুনা মহাক্কী থবক শুরম্মী। মখোয় অহুমগী মনুংদা মীওই অমনা মপু অদুবু হাৎপকী ক্রাইম অমা চংখি। মহাক্না মীওই অদু হাৎলুবগা মরী লৈননা জোনিক্তা থৌদোক অদুগী মরাল অদু পীবদগী মহাক জেলদা লৈখি। মীহাৎ অদুগী মতাংগা মরী লৈননা অচৌবা শেনফম কয়া অমা মাঙখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মরাল অদু তরাইবা অমা ওইদে অদুনা মহাকপু জেলদা মরালগী মতুং ইন্না থমখি। মহাক্না চংখ্রবা মতুংদা মহাক্কী নুপীনা হৌজিক থোক্লিবা সোসাইটি অসিদা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু মায়োক্নহৌবা কয়া অদুবু উৎপা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা ইলিজাগী শক্তম লাংলিবী ‘অঞ্জেলি বায়ানি’ না বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংখি। মসিদসু নত্তনা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর অমদি স্ক্রন প্লে রাইটর ওইবগা লোয়ননা ইডিটিংসু তৌখিবা লাভ দিয়াজনা বেষ্ট ইডিটিং য়াওনা বেষ্ট স্ক্রন প্লেগী এৱার্দসু ফংখি। ফিল্ম অসি সিনামাটিক ফোর্মদা য়াম্না নকশিন্নমা চৎপা ফিল্ম অমা ওইবনা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর অমদি সিনেমাটোগ্রাফর ওইরিবা অনীনা কোক চুংশিন্নদুনা য়াম্না নীংথিজবা মফমশিংদা খন্দুনা শুটিং তৌখিবা ফিল্ম অমসু ওইরি।


















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*